# প্রাইম মিনিষ্টর উন্ননবা চৎপীখিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং...

*লামায় ১গী মখা...* লাকইবা হায়রদুনা ৰাফমশিং অসি পাউমীশিংনা লৈঙাক্তা তন্বীয়ু হায়খি। লোয়ননা মখোয়দা খূৎলায় মতিক চানা পীবিরো হায়রকখি।

অহল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐ ইশাগী চহী ৬৫ শুরে। অহল ওইজরবসু নোংমৈ পায়রগা মী অমত্তা ওইরবসু কোন্নরম্লগা শিখ্রবসু য়ারে হায়রকখি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা শারিবা বঙ্করশিংদা অসাম রাইফলসনা ওনশিনবগী মহুত্তা তুম্ফম চাফম খঙলক্ত্রিবা মীচম ঐখোয়দা ওনশিন্দুনা লৈরিবা করিগীনো হংলুবদা ঐখোয় ইশা ঙাকথোক্লবনি হায়না খুম্লকখি হায়রি। মরম অসিনা ঐখোয় হৌজিক হিংলিব্রা/শিরব্রা খঙদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্তা থাজবসু লৈত্রে অদুগা শন্তাইনবসু পামদ্রে। অসুক য়াম্না অৰা অনা তাদুনা মীশি মীনা থোক্লবসিদা করিগীদমক মখোয়গা শন্তাইনগদৌরিবনো হংলকখি।

লৌ উবসু থিংজিনখ্রে। ঈশিং লাক্কদবা খোংসু থিংজিনখ্রে। ঙরাং ঐখোয়গী য়ূম খরা মৈ থারম্বদুসু সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৈনা লৈনা মখোয়দি য়েংদুনা লৈখি, খান্বীয়ু য়াখিদে। মরম অসিনা মখোয় লৈবগী করি কান্নরি হংলদুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা ঐখোয় শুকথা থাজদ্রে, ষ্টেট ফোর্সশিং ওইনা থন্বীয়ু হায়রকখি।

হৌজিক ঐখোয় আর্মি অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিং চঙহন্দ্রে। মখোয়বু ঐখোয়গী নুপীশিংনা শেৎলিবা ফি লন্বীদা য়ান্দুনা থৎলে। ঐখোয় হৌজিক শিরবসু, চঙলবসু কুকি মিলিটেন্টশিংগা অরৈবা পান্থৈ শীজিন্নদুনা লান্থেংনরগনি। হান্নদগীসু অরৈবা পান্থৈনা খুলগী অঙাংশিংনা মায়োক্লরকপনি হায়খি।

কান্টো শাবলগী এরিয়া অসি রেদ জোন এরিয়ানি, ফায়র সর্ভিস অনকপদা থন্বীনবা হায়জখ্রবনি। ইম্ফালদগী লাকপদুনদি য়ূম মৈ চাকপা কনবা নংলোই অদুবু হায়জখিবা অদুমক কনা অমত্তনা থৌৰা শাবীখিদে হায়রি।

কুকিশিংগীদি চীংথত্তনা লৈরগা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপনি, য়ূম মৈ থারকপনি। মখোয়না বঙ্কর শারিবা মফমদুসু ঐগী য়ূমগা হেক মায়োক্লনা লন্বীগী ৰাংমদনি হায়রকখি। মফমদুদগী নোংমৈ কাপশিল্লক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু তকথোকপীনবা কনামত্তা লৈত্রে। নেপালিশিংসু ময়ূমদা কোম তৌদুনা লোৎলগা লৈনরে। ঐগী নুপীনা কদাইদা, ইচানা কদাইদা হায়বদু ফাওবা মফম মরাং অমত্তা খঙনদ্রে। মসিমত্তিং লান নৎত্রে। লান হায়বদুদি মায়কৈ অনীনা অঙম অঙম্বা খূৎ থান্নবনি। ঐখোয়গীদি কুকি মিলিটেন্টশিংদা মীতৈ মীচম হাৎলুরো হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্ল া অফবা নোংমৈ পায়হল্লগা থাদোরকপগা চপ মান্নরে। ইরমদমসিদা য়েলহৌমী ঐখোয় মীচেল ওইদুনা লৈরে। করিগুম্বা ষ্টেট ফোর্স লৈরমদ্রবদি ঐখোয় লোইনা শিরমগদবনি হায়রকখি।

লোয়ননা ঐখোয় মীতৈ অসি লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইরিব্রা-ওইদব্রা খঙদ্রে। ওইদ্রবদি ঐখোয়সু ঐখোয়গী তোঙানবা ফিরেপ অমা লৌজরগে হায়রকখি। এক্স গ্রেসিয়ানা ঐখোয়গী পুন্সিগী মমল লেপ্পা য়াব্রা হংলদুনা অহল অদুনা মখা তানা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংগী বঙ্করশিং তকথোকপীয়ু হায়না ইন্দিয়ন আর্মিশিংদা হায়রুবদা মী অমত্তা লৈত্রে, লৈঙোই হানবা বোড়া খক্তা ঙাইরে হায়রকখিবনি। অদুগা ঙরাংনা মী লৈত্রে হায়খিবা মফম অদুদগী নোংমৈ কাপথোরকখিবনি হায়রকখি।

মফম অদুদা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মরক্তা দ্যুটি শিন্দে দাক-শিঞ্জিন তৌনরিঙৈগী তাঞ্জা লৌরদুনা খূৎ থারকখিবনি। শিখ রেজিমেন্ট লাক্লগা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পু হায়রকখিবনি। ৰাফম অসি ফোঙদোক্লরিঙৈ ঙাইহাক শরক শিরিঙৈদা নাগাগী ১ য়াওনা য়ূমশিং মৈ থাগৎলকখিবনি হায়রকখি।

মমাঙ থাগী ২৯দসু কান্টো শাবলগী মমাঙদা লৈবা চীংঙুরোক চীংমাংদা খুলগী নহা ১০মুক্না শন্ত্রি তারিঙৈদা মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা নহা অমনা ময়ূমদগী পোৎচৈ খরা লৌথোক্লবা চঙখ্রিঙৈগী তাঞ্জাদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কোয়শিল্লগা নোংমৈ কাপশিন্দুনা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মরক্তুদা চঙখ্রিবা অঙাং অদুদি থোকপা নংহৌদদুনা লৈখি। তাঞ্জাদুদা মহাক্কী মমানা অসাম রাইফলসতা কনবীনবা হায়রুবদা য়ারক্তবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা চঙননবা হোৎনরকপদসু অথিংবা পীখি হায়রকখি। অদুবু মচানুপা অদুনা মমাদা ফোন তৌরক্তুনা লৌথোকপীনবা হায়রক্লিঙৈ তাঞ্জা অদুদা মহাক্না চঙজফম লৌদুনা লৈখিবা নেপালিশিংনসু মখোয়দা কুকিশিংনা মীতৈ থন্বা য়ারোই হায়দুনা কিহল্লক্লে হায়বগী ৰাফম ফোঙদোরকখি হায়রি।

অতোপ্পা পান্থৈ লৈত্রদুনা মখোয়গী মনাওনুপা থোকপা আই আর বি ওইবা অমদা হায়রুবদগী লাকখি। অদুবু ম্যেন রোদতা অসাম রাইফলসনা থিংলকপদগী নুপীশিংনা অতোপ্পা লন্বী অমদা পুশিল্লগা আই আর বি পর্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপ-কাপ্তুনা চঙখ্রবা মতুংদা নহা অদুগী থৰায় কল্লকখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নুমিৎতুদা মমানা কপ-লাউদুনা মচাগীদমক খাঙখিবা অৰাবশিং খুঞ্জাশিংনা য়েংবা ঙমখিদে। লোয়ননা ঐখোয় ময়ামগী অৰাবশিং কনবীনবা কনা অমত্তা লৈখিদে। ৰাবনা হেনমনখিবনা ইশা ইতোমতা শিনীংবা পোক্লকখি হায়নসু মখা তারকখি।

# মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ/মিনিষ্টরশিং কাঙলূপ অহুম...

*লামায় ১গী মখা...* লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী গ্রাউন্দ রুলশিং চেকশিন্না ঙাক্লা চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংশিংদা চিন-কুকি দিফেন্স ফোর্সশিং চঙশিল্লক্তুনা য়াওশিল্লক্লে হায়বগী মীয়ামদা ফাওহল্লিবা মিপাইবশিং কোকহন্নবা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা হায়জখি অদুগা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসি লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটিগী ফীভম ওইনা লৌবীনবসু হায়জখি হায়রি।

মেমোরেন্দম অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিং অসিনা পূন্না উন্নদুনা ৰারী-ৰাতাই শান্নরগা নাকল অনীমক্কী অনীংবা অপাম্বশিং ফোঙদোক্লবা ঙমদ্রিবা কুকি অমসুং মীতৈ এম এল এশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকহনবীনবসু আপীল তৌখি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা চথুরক্লিবা ঈরাং অসিনা মীচম ১০০ হেনবগী পুন্সি মাঙখ্রে অমসুং মমল য়াম্লবা লন-থুম কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়রদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি লাকশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদক্তা খূৎ থিংজিনবীনবসু হায়জখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নগনি চৎখিবা লৈঙাক্কী এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংবু স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতনা লুচিংদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা উন্নখিবগা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা মরীক চুম্না পাউদমখ্রে।

উন্নবা অসিদা বি জে পিগী এম এল এ/মিনিষ্টর ২৩ অমসুং এন পি পিগী এম এল এশিং য়াওখি। মখোয়না মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়জখি। অদুগা অরৈবা পান্থৈ পুথোক্তুনা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনবা হোৎনবীনবসু দিফেন্স মিনিষ্টরদা হায়জখি হায়রি।

মীহুৎশিং অসিনা সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা অকনবা এক্সন লৌখৎপীনবা হায়জখিবগা লোয়ননা সু লৌথোক্লবা অমসুং লালহৌবশিংবু মখোয়গী দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদগী হেন্দোকহন্দনবা থবক লৌখৎপীনবসু হায়জখি হায়রি।

লোয়ননা বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদর খরগী মায়োক্তা মিলিটেন্ট গ্রুপ খরগী মায়কৈদগী হন্দক ফোঙদোক্লরকখিবা ৰাফমদা কুমজা ২০১৭কী মীখলদা মিলিটেন্টশিংনা মতেং পাংখি হায়বগী ৰাফম ফোঙদোরকখিবা অদুগা মরী লৈননা সেন্টরগী মায়কৈদগী শেংদোকপীনবসু হায়জখি হায়রি।

লৈঙাক্কী য়াম্লবা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং অসিগী মনুংদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টি ঐচ বসন্তকুমার, ডা. সাপম রঞ্জন য়াওখি। অদুগা এম এল এশিংদনা এম দি নুরুল হাসন, এল রামেশ্বর, কে রোবিন্দ্রো, আর কে ইমো, এম দি অসবউদ্দিন অমসুং টি ঐচ শ্যামকুমারসু য়াওখি হায়রি। মীহুৎশিং অসিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরমদসু য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিথারমনগসু উন্নখি হায়রি।

অদুম ওইনমক দেল্লীদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংগী মরক্তগী নাকপাক তান্নবগী ফীভমদা এম এল এ ৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা অদুগা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টর ২৩না দিফেন্স মিনিষ্টর উন্নবগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনবদা খূৎয়েক পীখিবা এম এল এ অমদা টেলিফোন তৌদুনা হংখিবদদি দিফেন্স মিনিষ্টর উন্ননবগী মীং পীশিনবদা য়াওহৌদবদগী পূন্না উন্নখিদবনি হায়না ফোঙদোরকখি। লোয়ননা অতৈ লুচিংবশিং উন্নবদদি পূন্না উন্নমিন্নবসু য়ারি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক দেল্লীদা লৈঙাক অসিগী এম এল এ অমসুং মিনিষ্টর অমদি মসিবু শৌগৎপশিং য়াওনা পূন্না এম এল এ ৩০গী মথক্তা লৈরবসু প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা য়াওনা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর উন্নবদদি তোঙান তোঙান্না উন্নবগী পাউ ফংখি।

# ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী নাতোন শুমাংদা আর্মি...

*লামায় ১গী মখা...* সিক্যুরিটিগী নাতোন শুমাংমক্তদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা য়ূম মৈ থারকপগী থৌওং অসিদি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবগী থৌওংনি। ফোর্সশিংনা মীয়ামগী য়ূম-কৈ ঙাকপা ঙমদ্রবদি মখোয় লৈবগী মথৌ তাদ্রে, হনবীখ্রো হায়খি।

নোংমৈ কাপ্লবা হৌরল্লগা মৈ থাদোকখিবা য়ূমশিং অদু লৌরিয়াম তোম্বা (৪৭), ৰাহেংবম রিতু (৩২), অঙোম রাজু মৈতৈ (৪৪), পেবম প্রেমকুমার মীতৈ (৫২), পেবম শান্তি মৈতৈ (৪৫) অমদি লিয়াংমৈ নাগা ওইরিবা অখোন অবোনমৈ (৪৫) গী য়ূমশিংনি হায়রি।

লিয়াংমৈ নাগা অসিগী য়ূমদদি 'নাগাগী য়ূমনি' হায়দুনা ফাওবা ইরগা থেৎতুনা থম্লকখিবনি হায়রি। অদুবু অইবা অদু শেগাইরগা মহাক্কী য়ূমসু য়াওনা মৈ থারমখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী য়ূমগা শাইজিন লোন্নবা লৈরিবা কুকিগী য়ূমদি মৈ থারমখিদে হায়রি।

ঙরাংগী থৌদোক অসি হান্নসু মফম অসিদা কুকি অমসুং নাগাশিংগা য়ূমলোন্ননা লৈরকখিবা মীতৈগী য়ূম ৫০ রোম মৈ থাখ্রবা মতুংদা ৰাৎহৌরিবশিং থিদুনা লাক্লগা মখা তানা মৈ থাদোক্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিদা য়ূম ৬ মৈনা চাকখিবগা লোয়ননা জলবির সিংহ কৌবা আর্মি পর্সনেল অমসু য়েৎ থংবা খোঙদা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা টিদ্দিম লন্বী পরিংদা লৈরিবা ইরেংবম খুলগী নুপী য়াওনা খুঞ্জা খরনা মখোয়গী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা চীংথক্তা কাখৎতুনা মনা-মশিং হেক্লনবা হোৎনরুবদা চীং অসিগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা কুকি তিঙ্কাই খুনৌরোমদগী নোংমৈ মরূ কয়া কাপথরকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি হৌজিক লৈশ্রাম কাংজৈবুংগী শাগৎপা লোইশিন্দ্রিবা হোষ্টেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিগা শুপ্নতগী কিলোমিটর অমরোমদমক লাপ্পনা লৈবা মফমনি। কুকি তিঙ্কাই খুনৌ অসি ৰারোইচীং লোমদগী কাখৎপসু য়াই। অদুবু অশেংবা লন্বীদি ইরেংবম লোমদগী কাগদবনি হায়রি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা খুঞ্জাশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকপদগী চেম্থনরক্তুনা খুলগী মীশিংদা পাউ তমখি অমসুং হান্নদগী খুল ঙাক্লক্লিবা খুঞ্জাশিংনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি। লোয়ননা নোংমৈ মরূ খরসু হন্দুনা কাপখি। অদুবু সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থোমজিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লখিদে। অদুগা থৌদোক অসিদসু অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে।

# কুকিশিংনা অতম্নুনা লিয়াংমৈ নাগাগী য়ূম মৈ থারকপসি...

*লামায় ১গী মখা...* পর্সনেলশিংনসু য়েংলগা লৈথোকখিবা অসি নুংঙাইতে। য়ূম মৈ থারল্লিবা মফম অসিসু লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী হেদ ক্বার্টরদগী মিটর ২০০ ফানা লাপ্পল্লোই হায়খি।

য়ূম মৈ থারক্লবদি মফমসিদা করম্না লৈগদৌরিবনো হায়নসু হংলদুনা থৌওং অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল লৈঙাক্তসু য়ানীংদে। মে ৩দগী য়ূম মৈ থাদুনা মী হাৎনদুনা লাক্লি অদুবু তংদু লৈতাহন্নবগী সোল্যুসনদি ঙসি ফাওবা পুরক্ত্রি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা তংদু লৈতাহল্লু। চথুরক্লিবা লান অসিগী মতাংদা মীতৈ অমসুং কুকি ইচিল ইনাওশিং খক্তা নত্তনা অহুমশুবা পার্টি ওইনা নাগা ইচিল ইনাওশিংসু য়াওশিন্দুনা ফম্মিন্নরগা ৰারী শান্নগদবনি। ৰারী শান্নদ্রবদি ঈং-তপ্পা পুরক্লোই হায়খি।

মরম অসিনা ঙরাং নোংয়াই মতুংদা লিয়াংমৈ নাগাগী য়ূমবু অতম্নুনা মৈ থারম্বগী থৌওং অসি তূমিন্না লৈথোক্লোই হায়রদুনা থৌওং অসি লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলনা লেম্না থারোই হায়খি।

লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না মীতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা লৈরিবা নাগাগী য়ূমশিং মৈ থারকপা য়ারোই। লান অসিদা নাগা য়াওশিল্লক্তুনা কম্যুনেল ক্লাশ থোরকপা হায়বসি মণিপুরগী অফবা ওইরক্লোই। ময়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবা য়ূম্বু ভিক্টিম অখৌ অবোনমৈ লিয়াংমৈনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী য়ূম অসি কা ৮ লৈবনি। অদুগা কুকিগা য়ূমথংননা লৈবনি। মহাক্কী য়ূমদি মৈ থারল্লগা থংনরিবা কুকিগী য়ূমদি মখোয় মশেলগীনিনা মৈ থারমদে। ঙরাং নোংমৈ য়াম্না কন্না কাপ্লরিঙৈদা মৈ থারম্বনি হায়রদুনা মীতৈগা কুকিগগী ঈরাংদা করিসু য়াওজদবা নাগা ফুরুপ ওইজরিবা মহাক্কী য়ূম মৈ থাদোক্লম্বসি নুংঙাইতে। হান্নদগী মীতৈসু কুকিসু নুংশি চান্ননা চামিন থকমিন্নদুনা লৈরকপনি। ঈরাং থোরক্লবসু নাগাগী য়ূমশিংদি কুকিনসু, মীতৈনসু মৈ থারোই খন্দুনা ইচম চম্না লৈরকপনি হায়খি।

মমাঙথক্তা কুকিশিংনা য়ূম মৈ থাবা মতমদদি সিফাইশিংনা কল্লি অদুগা নাগাগী য়ূম মৈ থারকপদনা করিগীদমক কনখিদবনো হংখি। খঙহৌদনা মৈ থারকখিবনা ইমুংদগী করিগুম্বা অমত্তসু লৌথোকহৌদ্রে হায়খি।

মহাক্কী য়ূমদা 'নাগাগী য়ূমনি' হায়দুনা ইরগা থেৎলিবা অদু কুকিশিংনা শেগাইরগা মৈ থাদোক্লম্বনি। মণিপুর লৈঙাক্লা ময়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবশিং খোমজিন্দুনা লৈবা ঙমহনবীয়ু নৎত্রবদি নাগা ঐখোয়সু য়াওশিন্নবগী পেন্দবা লাক্লে হায়খি।

## এম এল এ নসিরগী মথক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* দিফেন্স মিনিষ্টর উন্নখিবদা জে দি-য়ু, মণিপুরগী এম এল এ, এম দি অবদুল নসির শরুক য়াখি হায়রদুনা মসিগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা পার্টিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়না জে দি-য়ু, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেননা পাউচে অসিদা দেল্লীদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, পার্টিগী সেক্রেটরি জেনরেল এম দোরেন্দ্রোনা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৪দগী জে দি-য়ু য়াওনা পার্টি ১০না প্রাইম মিনিষ্টর উন্ননবা দেল্লীদা লৈরক্লবসু ঙসি নুমিদাং ফাওবদা এপোইন্টমেন্ট পীরকপা লৈত্রি হায়রি।

## সী এমগী রিলিফ ফন্দদা দোনেসন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস) :** থা অসিগী ৪দা দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা পাঙথোকখিবা সিট ইন প্রোটেষ্টকীদমক শেমখিবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, দেল্লী হৌজিক লৈত্রবসু মায়কৈ কয়াদগী পাংনরকখিবা শেলগী তেংবাঙশিং ওদিট তৌরবা মতুংদা লুপা ৮৫,২৫০ লেম্বদগী সী এমগী রিলিফ ফন্দদা দোনেসন তৌখ্রে হায়না মতম অদুগী কম্মিটি অসিগী কনভিনর ওইখিবা ভগৎ ওইনামগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.495027 |
| US Dollar | 81.947323 |
| British Pound | 104.936991 |
| Australian Dollar | 56.093799 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.443770 |
| Japanese Yen | 0.577529 |
| Malaysian Ringgit | 17.710469 |
| Singapore Dollar | 61.113916 |
| South Korean Won | 0.063873 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.852619 |
| Thai Baht | 2.354956 |

## GAS NEWS

**MANIPUR GAS**
**Booking 25/04/2023**
Valid from 04/04/2023
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 19/05/2023
**BOOKING UPTO: 20/05/2023**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM(Temporary).
For Home delivery:Please contact through Calls/SMS/ Whatsapp - 9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm


